# অফঘানিষ্টান লৈঙাক্কা টালিবানশিংগা নাকল নাম্মগী ওইবা সিজফায়র শাংদোকখ্রে



কাবুল, জুন ১৭ (এজেন্সী)ঃ

ইদ কুম্মৈগী মতমদা থাজনবা অমগা লোয়ননা থম্নখিবা সিজফায়র অফঘানিষ্টান লৈঙাক্কা শাংদোক্লে হায়না লাউথোকখ্রে। নাকল নাম্মগী ওইনা টালিবানশিংগা লৈনগদবা সিজফায়র অদু অফঘানিষ্টান লৈঙাক্কা শাংদোক্লে হায়রি।

অফঘানিষ্টানগী প্রসিদেন্ট অসরফ ঘানিনা মিলিটেন্টশিংদা লৈঙাক্কী ৱাফম অদু ঙাক্কা চৎননবা অমসুং পিছ টোক তৌনবা য়াননবা অপিল তৌখ্রে। সিজফায়র লৈনরিঙৈ মতমদা মিলিটেন্টশিং অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সনা মীচমশিংগা লোয়ননা ফোটো কাপমিন্নবা উখিবা লৈখ্রে। টালিবান অমসুং লৈঙাক্কী ওফিসলশিং পুন্না থৌরম পাঙথোকমিন্নরিঙৈ চৈরক্তা মশা শিজদুনা এটেক চথুরকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৫ নঙ্গর্হারদা শিখিবগী থৌদোকসু থোকখি। এটেক অদুদা শিখিবশিং অদু মীচমশিং অমসুং টালিবানগী মেম্বরশিং ঙাক্তনি হায়না প্রোভিন্সিএল ৱাঙাঙলোয় অতাওলাহ খোগিয়ানিনা পাঊমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

লুচিংবা অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিদা, মশা শিজদুনা এটেক চথুরকখিবা অদুদা টালিবান অমসুং মীচম ২৫ শিখি। অদুগা মীওই ৫৪ না অশোক অপন নংখি হায়রি।

নঙ্গর্হার হায়রিবা মফম অদু ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংনা এক্টিব ওইনা ওপরেট তৌরিবা মফম অমা ওইরিবনি। এটেক অদুসু মখোয়না চথখিবনি হায়না ক্লেম তৌরকখিবা লৈখ্রে হায়রি।

অফঘানিষ্টানগী প্রসিদেন্ট অসরফ ঘানিনা টি ভি চেনেল অমদা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্কী লৈঙাক্না টালিবানশিংগা য়াশিন্নবা শেম-শাদুনা লৈ। টালিবানশিংনা তাল্লিবা দিমান্দ অমসুং ইস্যুশিং পিছ টোক চথবা য়াননবগীদমক খন্ননবা শেম-শারে হায়খি।

ইদ উল ফিটরগী মতমদা টালিবান, লৈঙাক অমসুং লৈঙাক্কী ওফিসলশিংগা হরাও-তয়াম্না চামিক-থকমিন্নবা লৈখ্রে। থা ১ চুপ্না চরা হেল্লুরবা মতুং লৈঙাক্কী লান্মী অমসুং টালিবানশিংগী মরক্তা য়ানবা উখিবা অদুনা তংদু-লৈতাবা ফীভম অমা পান্মী হায়বদু নাকল অনীমক্না উৎলে হায়খি। অফঘান টালিবানশিংদা হায়জরি মদুদি, মখোয়না সিজফায়র অদু শাংদোক-পীগদবনি। সিজফায়র চৎনরিঙৈ মতমদা অশোক-অপন নংখ্রবা টালিবানশিংদা অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা পীগনি। মদুতা নত্তনা তঙাইফদবা মীওইবা অমগী মতেংসু পীগনি। জেলদা লৈরিবা টালিবানশিংগা মখোয়গী ইমুং-মনুংগা উননবগী খুদোংচাবসু থমগনি। সিজফায়র মতমদা লৈঙাক্না জেলদা লৈরিবা টালিবান খরা থাদোকখ্রে হায়খি।

য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোমপেওনা হায়, সিজফায়র অমদি পিছ টোক চথদুনা খন্ন-নৈনবদা মালেমগী থাক্তা লৈবা এক্টর অমসুং ফোর্সশিং শরুক য়াহনগদবনি। নাকল অনীমক্না পিছ এগ্রিমেন্ট অমসুং পোলিটিকেল সেট্‌লমেন্ট পুরক্নবা হোৎনবদা য়ু এসনা মতেং পাংননবা শেম-শাদুনা লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে। চৎলিবা থা অসিগী মমাঙদা টালিবানশিংনা অফঘানিষ্টান লৈঙাক্কা অরোনবা ওইবা ৱারী শানখি হায়বা য়াখিদবনি। অদুম ওইনমক নাকল অনীমক্না ইদ কুম্মৈ মতমদা সিজফায়র তৌনরকখিবনি হায়রি।

# ভেনিজ্বেলাগী ইল পরাসিয়ো ক্লবতা থোকখিবা নেৎশিন্নবগী থৌদোক্তা ১৭ শিরে

করাকস, জুন ১৭ (এজেন্সী)ঃ

ভেনিজ্বেলাগী কোনুং করাকসকী পুলিস হেদক্বার্টরস মমাঙদা লৈবা ইল পরাসিয়ো ক্লবদা থোকখিবা নেৎশিন্নবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ১৭ শিখ্রে হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্টর নেষ্টোর রেভেরোলনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউ অসিগী মতুংইন্না নাইট ক্লব অদুগী টিয়ার গ্যাস কন্টেনর অমা পোকখায়রকপদগী মীপায়রবা মীয়াম অদু মথোং মরম খঙদনা চেন্নবদা নেৎশিন্নবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। চহীগী ওইনা স্কুল তম্বা লোইশিল্লক্লবা মীওইশিং নাইট ক্লব অদুদা পার্টি অমা পাঙথোক্লবা হোৎনরিঙৈদা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা হৌজিক মীওই তরেৎ ফারে হায়রি।

করাকসতগী নোংচুপলোমদা চৎলগা লৈবা নাইট ক্লব অদুদা থোকখিবা নেৎশিন্নবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা ১৭ শিখ্রে অদুগা কয়ানা অশোক অপন নংখ্রে হায়না লোকেল মীদিয়ানা রিপোর্ট তৌরক্লি।

থাংজ নুমীৎকী অয়ুক অঙনবদা টিয়ার গ্যাস কন্টেনর অমা পোকখায়রকদগী নাইট ক্লব অদুগী মনুংদা লৈরম্বা অমদি পার্টি য়াওবা লাকখিবা মীওই ৫০০ না ক্লব অদুগী থোকফমদগী চেন্থোকখিনবা হোৎনবদা তমথিরবা নেৎশিন্নবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।


ইন্টরিয়র মিনিষ্টর রেভেরোলনা ষ্টেট টেলিভিজন্দা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মীওই ৫০০ রোম অদুনা ক্লব অদুগী মনুংদা লৈরিঙৈদা টিয়ার গ্যাস কন্টেনর অদু দেটোনেট তৌদুনা পোকখায়হল্লকখি। মদুনা মরম ওইরগা তীল্লিবা মশিং য়াম্লবা মীয়াম অদুদা মীপায়বা পোকহনখি। খুদোংথিবা থোকপা মতম অদুদা মনুংদা লৈখিবা মীওই অমনা ফোঙদোকখিবদা, ক্লব অদুনা পার্টি য়াওবা লাকখিবা মীওইশিং অদুনা মনুংদা খুৎলাই পুশিনবদা নীংথিনা চেক তৌবা ঙমখিদ্রে। মদুনা মরম ওইরগা মীওই খরনা মনুংদা খুৎলাই পুশিল্লম্বা ওইগনি। লৈখিদ্রবা অমদি শোক্লবা মীওইশিং অদু চহী ১৬ তগী ২০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নহাশিংনি হায়রি।

পাঊমী দরবিন্সন রোজাসনা লাপটিলা ন্যুজ ৱেবসাইটতা ফোঙদো-রকখিবদা, চহী ১৬ তগী ২০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিং অদু স্কুল লোইরকপগা মরী লৈননা হরাও-তয়াম্বা ফোঙদোক্নবা পার্টি অদু য়াওবা লাকখিবনি। লৈখিদ্রবশিং অদু নেৎশিন্নবা অদুনা মরম ওইরগা শ্বর ফুনবদগী লৈখিদবনি। শোক্লবশিংগী মনুংদা ফীভম লুবা য়াওরি হায়রি।

নাইট ক্লব অদুগী মনুংদা টিয়ার গ্যাস দেটোনেট তৌদুনা পোকখায়হল্লকপা অদুদা মীয়াম অদু বোম পোকখায়রবোই নীংদুনা থুনা য়াংনা ক্লব অদুদগী চেন্থোকখিনবা হোৎনবদা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। শোক্লবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা অমগী ফীভম কা হেন্না লুরি। মহাক করাকসতা লৈবা হোস্পিটাল অমদা হৌজিক লায়কন্নরি হায়রি।



# গ্রিস অমসুং মেসিদোনিয়াগী ৱারোইশিন পুরক্নবা দিল তৌনখ্রে



এথেন্স, জুন ১৭ (এজেন্সী)ঃ

গ্রীস অমসুং মেসিদোনিয়াগী মরক্তা মতম শাংনা য়েৎনদুনা লাক্লবা মফম অমগী মতাংদা য়ানবা পুরক্নবগীদমক গ্রীক্কী প্রাইম মিনিষ্টর এলেক্সিস সিপ্রাসনা জোরান জেভকা লৈবাক অনীগী ঙমখৈদা উনদুনা দিল অমা সাইন তৌনখ্রে।

য়ানখিবা অদুগী মখাদা গ্রীসকী য়ুমথংনরিবা অদু নোর্থ মেসিদোনিয়া হায়না খঙনরগনি হায়রি। গ্রীক্কী প্রাইম মিনিষ্টর এলেক্সিসনা হায়, চথুরিবা থৌশিল অদু থৌনা ফবা, পুৱারী ওইরগদবা অমসুং মীয়ামগীদমক তঙাইফদবা খোঙথাং অমনি। মেসিদোনিয়াগী মিং পনবগী মতাংদা মতম শাংনা য়েৎনবা কয়া লৈরকখিবনি। হান্নগী জুগোস্লেভিয়া কায়খ্রবা মতুং মফম অদু মমিং থোনবগী মতাংদা য়েৎনবা লাকখিবনি। মফম অদু মেসিদোনিয়া হায়না খঙনবা হায়বা অদুদা গ্রীসনা মতম শাংনা য়েৎতুনা লাকখি। মফম অদুগ্রীসনা মখোয়গী প্রোভিন্স অমনি হায়না লৌরি। লোয়ননা মেসিদোনিয়া হায়বা মমিং থোনগদবনি হায়না ফোঙদোক্লিবনি।

মদুনা মরম ওইরগা মতম শাংনা লৈবাক অনীগী মরক্তা য়ানবা পুরকপা ঙমদনা লৈরকখি। মীয়ামগী ওইবা খোঙজং মরক্তা লৈবাক অনীগী লুচিংবা অনীনা দিল অদু তৌনখিবনি।

এলেক্সিস অমসুং মহাক্কা ফম মান্নবা মেসিদোনিয়াগী জোরান জেভনা মখোয়গী ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী থাক্তা ৱারী শানখিবা অমদি দিল তৌনখিবা অদু য়েংশিনখি। ঙসি গ্রীসকী অৱাংথংবা ঙমখৈদা লৈবা লেক প্রেসতা দিল অদু তৌনখিবনি। দিল অদু লৈবাক অনীগী পার্লিয়ামেন্টনা য়ানবা অমগী মখাদা হেন্না ফঙাৎহনবগী তঙাইফদবা লৈ। লোয়ননা মেসিদোনিয়াদসু রিফরেন্দম অমা লৈগদবনি হায়রি।

থাংজ নুমীৎতা গ্রীসকী প্রাইম মিনিষ্টর এলেক্সিস নো কনফিদেন্স মোসন থাঙ্গৎলকপগী খুদোংচাবা লৈখি। অদুম ওইনমক মহাক্না মায় পাকখিবগা লোয়ননা দিল অদু পাঙথোক্নবা হোৎনরকখিবনি। নীংথিনা শেম-শারবা পাৎ অদুদা লুচিংবা অনী অমসুং মখোয়গী ফোরেন মিনিষ্টরশিংগা লোয়ননা দিল অদু তৌনখি।

# স্পেনননা জহাজদা লাকখিবা মাইগ্রেন্টশিং তরাম্না ওকখ্রে



মাদ্রিদ, জুন ১৭ (এজেন্সী)ঃ

ইটালি অমসুং মাল্টানা ইন্থোর-কখিবা অমদি মেদিটরেনিয়ন সমুদ্রদগী কল্লকখিবা মাইগ্রেন্টশিং স্পেনগী হিথাংফম ভেলেসিয়াদা থুংলখ্রে।

সমুদ্রদা মতম শাংনা লৈরক্লবা মাইগ্রেন্টশিং অদুবু পুদুনা লাকখিবা জহাজশিংগী মনুংদা অহুম হিথাংফম য়ৌরক্লে। এক্কারিয়স জহাজনা মমাঙ চয়োলদা কনখিবা মাইগ্রেন্ট ৬৩০ অদুগী অনীশুবা গ্রুপ অদু ঙসি থুংলখিবনি। মাইগ্রেন্টশিং অদুনা হিথাংফম অদুদা য়ৌরকপদা তরাম্না ওকখ্রে হায়রি।

হেল্‌থ ওফিসল অমসুং ইন্টরপ্রিটরশিং মাঙজৌননা হিথাংফম অদুদা ঙাইদুনা লৈখি। স্পেনগী অনৌবা সোসসিএলিষ্ট লৈঙাক অদুনা মাইগ্রেন্টশিং অদুদা লেম্না অনা-লায়েং অমসুং মখোয়না থুংলুগদবা মফমশিং য়ৌনবা হোৎনবদা মতেং পাংগনি হায়রি।

খুদোংথিবা মায়োক্নরবা মীওইশিং অদুদা মীওইবা অমা ওইনা শোয়দনা মতেং পাংগনি। অদুগুম্বা মীওইশিং অদু অশোয়-অঙাম থোক্লোইদবা হিথাংফম অদুদা থুংলরে। মীওইবগী হক ঈকায় খুম্নগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর পেদ্রো সঞ্চেজনা ফোঙদোকখ্রে।

চয়োল অনীগী মমাঙদা লুচিংবা অদুনা মাইগ্রেন্টশিং অদুবু মরুপ অমগুম্না লৌশিনগনি হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রবনি। ইটালি কোষ্ট গার্দশিংনা পুদুনা লাকখিবা মাইগ্রেন্টশিং অদু অহানবদদি স্পেন্না সিক্যুরিটিগী মীৎয়েংদা লৌশিল্লু হায়বা য়াখিদে। অদুম ওইনমক স্পেনগী কোষ্ট গার্দশিংগী জহাজদা মাইগ্রেন্টশিং অদু থংদোক থংজিন তৌরবা মতুং লৌশিনখিবনি।

মাইগ্রেন্টশিং অদুনা জহাজদগী কুমথরকপা মতমদা ওক্লনবগীদমক রেদ ক্রোস ৱার্কর লিশিং ১ রোম্না তরাম্না ওক্লনবা ঙাইখি। পুলিস ওফিসরশিংনা মীওইশিং অদু থুংলবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লদনবা থৌশিল কয়াসু পায়খৎখি। অনীশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা এক্কারিয়স জহাজনা মাইগ্রেন্ট ১০৬ পুরকখি। জহাজ অদুনা হিথাংফমদা থুংলবদা মীওইশিং অদুনা হরাও-তয়াম্বা উৎখি হায়রি।

মাইগ্রেন্ট কয়া পুবা মথংগী জহাজ ওরিয়োনদি নোংমাইজিং নুমীৎকী মতুংদা থুংলবা য়াই হায়বগী থাজবা থল্লি। হায়রিবা জহাজ অদুদা লেমহৌরিবা মাইগ্রেন্টশিং অদু পুরক্কদবনি। মশিং য়াম্লবা মাইগ্রেন্টশিং অদু রবর বোট অমদা পুং কয়া সমুদ্রদা ৱানা লৈরম্লবা মতুং এক্কারিয়সনা মখোয়বু কন্দুনা পুরকখিবনি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না খুদোংথিরবা ঈশিংগী লম্বীদা চয়োল অমা হেন্না মীওইশিং অদু অৱাবা খাংদুনা লাকখ্রে। মখোয়গী মরক্তা সী সিগনেসনা নারকপসু য়াওরি হায়রি।

চঙশিল্লক্লিবা মাইগ্রেন্টশিং অদুগী হকচাংগী ফীভম শাফবা ওইদে। অদুম ওইনমক মখোয়না অশোয় অঙাম য়াওদনা হিথাংফম য়ৌরকপা মীকুপ অদুদা মখোয় নুংঙাইবা ফাওখি হায়রি। মাইগ্রেন্টশিং অদু তোঙান তোঙানবা লৈবাক ২৬ তগী লাকখিবশিংনি। খ্বাইদগী মশিং য়াল্লিবদি সুদান অমসুং নাইজেরিয়াদগী লাকপা মাইগ্রেন্টশিং ওইরি। মদুদা নত্তনা ইরিট্রেয়া, সাউথ সুদান অমসুং অলজেরিয়াদগী মাইগ্রেন্ট কয়াসু য়াওরি হায়রি।

# হুদৈদাহ এয়রপোর্টতা লৈঙাক্কী লান্মীনা অকনবা এয়র ষ্ট্রাইক চথখ্রে



হুদৈদাহ, জুন ১৭ (এজেন্সী)ঃ

হুদৈদাহগী অমত্তা ঙাইরবা এয়রপোর্টতা সাউদিনা লুচিংবা কাঙবুনা শৌগৎপা লৈঙাক্কী লান্মীনা অকনবা মওংদা এয়র ষ্ট্রাইক চথখ্রে। মদুদা নত্তনা হুদৈদাহদা খুৎলিংদুনা লৈরিবা হাওথি রিবেলশিংগা লৈমায়গী লানসু অকনবা মওংদা শোক্নরি। নাকল অনীনা মোটার সেল কাপশিন্নবগা লোয়ননা অকিবা ফংলবা ফীভম অমা ওইহল্লে হায়রি।

লৈঙাক্কী লান্মীনা ফোঙদোরকখিবদা, হুদৈদাহ এয়রপোর্ট ঙরাং থাংজ নুমীৎকী অথেংবদা লৌশিনবা ঙমখ্রে হায়রি। অদুম ওইনমক হাওথি রিবেলশিংনদি ৱাফম অদু অরানবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

চৈরকসিদা, য়ু এনগী ইনভোইশিং লৈবাক অদুগী কোনুং সনাদা লৈদুনা রিবেলশিং অদুবু অশোয় অঙাম য়াওদনা হুদৈদাহদগী হন্দোকখিনবা য়ানবা ৱাফম অমা পুরক্নবা ৱারী শাননবা থৌশিল পায়খৎলি হায়রি।

ৱাঙাঙলোয় মার্টিন গ্রিফিথসনা হায়, হাওথি রিবেলশিংনা হুদৈদাহতগী হন্দোকখিবা য়ারবদি মখোয় অশোয় অঙাক থোকহল্লোই হায়বগী থাজবা পীবা ঙম্মী হায়না ফোঙদোরক্লি।

লোয়ননা য়ু এননা ওপরেট তৌবা হিথাংফম অদু থাদোক্তুনা চৎখিনবসু খঙহল্লক্লি। হাওথি রিবেলশিংনা খুদুম চন্দুনা থল্লিবা হুদৈদাহ হিথাংফম অদু য়েমেনগী ওইনা খ্বাইদগী মরুওইবা মফম অমা ওইরি। চাক তাঙবগী ফীভম অমা মায়োক্লরিবা য়েমেনগী লাইফ লাইন অমসু ওইরিবনি হায়রি।

# পোর্টুগালদা লম কোয়বা লাকপা মীওই ২ শিরে



লিসবোন, জুন ১৭ (এজেন্সী)ঃ

পোর্টুগোলগী কোনুং লিসবোন্দগী অৱাংলোমদা মাইল ২৫ রোম চৎলগা লৈবা ইরিসৈরা সমুদ্র মপালদা বৃটিশ অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া মচা অমমম শিখ্রে।

পাউ অসিগী মতুংইন্না বৃটিশ নুপী অমসুং মাগী ওষ্ট্রেলিয়ান বোই ফ্রেন্দ অদু সমুদ্র খোংবাল অদুদা শিদুনা লৈরম্বা থেংনখি। মখোয় সমুদ্র খোংবাল অদুগী নক্লনা লৈবা ৱাল অমদগী ওন্থবা ওইগনি হায়বগী চিংনবা লৈ হায়না পোর্টুগাল ফোরেন ওফিসনা ফোঙদোরক্লি।

চহী ৩০ রোম শুরবী বৃটিশ মচা লুইস বেন্সন ৱাইল্ড লাইফ কঞ্জার্ভেসন ৱার্করনি। মহাক ব্রিষ্টোলদগী হৌরকখিবনি হায়রি। মহাক অমসুং মহাক্কী বোই ফ্রেন্দ অদু ইরিসৈরা হায়না খঙনবা লম কোয়বশিংগী পন্থুংফম ওইবা সমুদ্র খোংবাল অদুদা শিদুনা লৈরম্বা থেংনখ্রে। হায়রিবা মফম অদু লিসবোন্দগী শুপ্নতগী কিলোমিটর ৪০ রোমতমক লাপ্না লৈবা মফমনি হায়রি।

লোকেল মীদিয়াগী রিপোর্ট মতুংইন্না মীওই অনী অদুনা ফোটো লৌননবা হোৎনবদা ৱাল অদুদগী ওন্থখিবা ওইগনি। মখোয়না শীজিন্নরম্বা ফোনসু ফংবা ঙল্লে হায়রি।

পোর্টুগিস ওফিসলশিংগী মতুংইন্না মিটর ৩০ রোম ৱাংবা ৱাল অদুদগী মখোয় অনী করম্না ওন্থরকখিবনো হায়বা অদু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক মফম অদুদগী ফংখিবা খুদম চাংদমশিংগী মতুংইন্নদি মখোয় ৱাল অদুদগী ওন্থবা ওইগনি হায়রি।

ফোরেন ওফিসকী ৱাঙাঙলোয় অমনা হায়, পোর্টুগালদা লম কোয়বা লাকখিবা মীওই অনী শিখিবগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা লোকেল ওথোরিটিগা পাউ ফাওনরে। মখোয়গী ইমুং-মনুংশিংদা পাউ পীখিনবা থৌরাংসু পায়খৎলি। মদুগীদমক পোর্টুগাল ফোরেন ওফিসনা মতেং পাংগনি হায়রি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ফোরেন এফ্যেরস দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরকখিবদা, মখোয়গী সিটিজন অমা লৈখিদবা অদুগা মরী লৈননা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা পাউ খঙহনখ্রে। ওষ্ট্রেলিয়া মীদিয়াগী মতুংইন্নদি মখোয় অনী চৎলিবা চহী অসিগী জান্যুৱারি থাদা লম কোয়বা চৎননবগী ওষ্ট্রেলিয়া থাদোকখিবনি। ছুটি মতমগী ওইনা মতৈ-মনাও অদু লম কোয়বা চৎখিবনি। লোয়ননা পোর্টুগালদা পাঙথোকপা মখোয়গী মরুপ অমগী লুহোংবগী থৌরমসু শরুক য়ারমখি হায়রি।

# মাইকেল মোরিসকী কার মৈ চাকখ্রে

লোস এঞ্জেলিস জুন ১৭ (এজেন্সী)ঃ

বৃটিশ টি ভি দিরেক্টর মাইকেল মোরিসকী টেসলা কার লোস এঞ্জেলিসতা মৈ হৌদুনা চাকখ্রে। থৌদোক অদুদা অশোক অপনদি নংহৌদ্রে হায়রি। টেসলা কম্পেনিনা ফোঙদোরকখিবদা, ইলেক্ট্রিক কার অদু থাওনা থৌবা কারশিংদগীদি মৈ হৌবগী চাং হন্থবনি। অদুম ওইনমক কার অদু মৈ চাকখ্রে হায়রি। মাইকেল মোরিসকী লোয়নবী এক্ট্রেস মেক কোর মেকনা ফোঙদোরকখিবদা, মহাক্কী মপুরোইবনা থৌবা কার অদু মৈনা চাকখিবগী ভিদিও ফ্যুটেজ অঙকপা মওংদা থুনা থাগৎনরকপা থেংনখি হায়রি।

SMART HOSTEL

SINGJAMEI SUPER MARKET

(Seperated Boys & Girls)

ADMISSION OPEN

(CLASS VI TO XII & COLLEGE)

FACILITIES

- 24/7 Power Supply
- 24/7 Hygienic Water
- Homely Care Food
- Auto, Magic, Bus Parking Front of Hostel
- Spoken English & Coaching All Subjects
- Urgent Medical Facilities Front of Hostel
- Van Service available.

FREE ADMISSION

NO DEPOSITED

₹ 3500 p/m only

40 BEDS ONLY

HL-P/1303/15/5-12/7 (Alt.)

Contact No. ☎ 8730999192

ঙানু মরুম, য়েন মরুম পামজৈ

মচা ওলহনবা য়াবা Khagi Duck, White Pekkin, Cherry Duck নচিংবগী মরুম পামজৈ। Kuroiler, Black Rock, F.F.G অমদি Rainbo Roaster নচিংবগী মরুমসু পামজৈ। য়োনবীনিংবশিংনা মখাগী ফোন নম্বর অসিদা খঙহনবীরকউ।

Contact : RAKHESH MEITEI

☎ 9856291040

HL-P/1661/18

HL-B/4663/29/5-26/06(Alt.)

EMPLOYMENT

1. WANTED OFFICE STAFF AGENT

Regular job for the Staff agent in Manipur

Min Qua :- VIII Pass ,Age :- 18 to 38 years, No of Post-58 both male/fem

Monthly Salary :- Rs-13,000 to 25,600 + Travelling incentive.



( AIR HOSTESS REGULAR JOB )

Min Qua :- XII, Age : 17 to 30 years.

Become a Cabin Staff within 60 Days only

Monthly Salary :- Rs-25,000 to 67,000.

Immadiately Joining for Selected Candidate

*Job for Domestic & Internaltional Airport within India. Accommodation provided

NO DEPOSIT SL NO-4 MERCHANT NAVY JOB IN INDIA & ABROAD NO DEPOSIT

[ Freshers and experienced seafarer can apply. ]

i) Deck Officer, Engine Crew, Seaman, G.P. Rating & D.N.S Cadet

Salary: ₹30,000.00 to ₹80,000.00 /month Qualification :- X to Graduate.

For Detail Just Contact us at :-

OFFICE OF THE

Leima Job Guideline Service, Kwakeithel Bazar, Airport Road-Imphal.

Helpline no :-8974975286

HL-B/4677/2/6-30/7(Alt.)

www.vishallawinstitute.in

Affiliated to Manipur University

Approved by BAR COUNCIL OF INDIA

VISHAL

GROUP OF INSTITUTIONS

ADMISSION OPEN

* free Education for ARTS stream *





LAST DATE OF ADMISSION - 15 th June 2018

# Changangei maning leikai,near Airport , Imphal west -795140

মেদাম লাংলেনবু থাগৎচরি



**WAHENGBAM DHANESHOR** (50 Years), Bamon Leikai দা লৈবা ঐ মতম কুইনা নুংশঙ অমদি দাইবেটিসনা নাবদগী হিদাক গুল্লি চাদুনা লায়েংবদা ফত্তদুনা মেদামনা য়েংবিবদগী হকচাং য়াম্না কংলম্বা, খোঙ হান্বা বেরা তৌবা, পোল্লগা চীকপা শাবা, মরক্তা ঈ তাবা, চানিং থক্লিংবা ফাওদবা, চারবসু মচি ওইদবা, হকচাং শুমথরকপা, চৈসু পায়রগা চৎলম্বা, ৱা ঙাংবা ৱাবা, লৈয়েং ফাবা তৌরম্বদু চৈশু শুদনা ফজনা চৎপা ঙল্লে। মসিদসু নত্তনা হকচাংগী নুংঙাইরমদবা অনাবা পুম্নমক ফবদা মসিমুক পেন্দবা লৈত্রে। চীঞ্জাকসু কক্রে। মসিগীদমক্তা পাউচেগী থোংদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

*লায়েংফম ঃ* **Top Mayai Leikai Lai Lampak (Near) Raishing High School, Maning**

***Contact No.*** **☎ 8974671844**

HL-P/1657/18

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## CRAFTSMEN TRAINING SCHEME
## GOVERNMENT WOMEN I.T.I IMPHAL, TAKYELPAT

## ADMISSION NOTICE

Imphal, the 11th June, 2018

**No. 1/2/93-W/ITI:** In pursuance of the Joint Director of Training, Manipur latter No. DCT-3/38/2012, dated the 11th June, 2018 application prescribed form can be had from the Office of the women's ITI, Imphal, (Takyelpat) during the office hour 10.30 A.M to 3.00 P.M dated from the 18th June to 5th July, 2018 on payment of Rs. 40/- only (Rs. 10/- for form and Rs. 30/- assessmeny fee age of the candidated 14 to 40 years as on 1st August 2018 for admission to women's ITI, Imphal in different Trade for the session commencing from August 2018-2019.

Strengthening of the Trade are given below :-

| *Sl. No.* | *Name of Trade* | *Qualification* | *Age.* | *Duration* | *No. of Seat* |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Preservation of Fruit & Vegetables | X pass | 14 to 40 | One year | 20 nos. |
| 2. | Hair & Skin Care/ Basic Cosmetolery | X pass | 14 to 40 | One year | 40 nos. |
| 3. | Computer Operation & Programming Asst. (COPA) | X pass | 14 to 40 | One year | 20 nos. |
| 4. | Dress Making | X pass | 14 to 40 | One year | 32 nos. |
| 5. | Secretarial Practice/Steno | X pass | 14 to 40 | One year | 16 nos. |
| 6. | Embroidery | X pass | 14 to 40 | One year | 16 nos. |

Detailed information can be had from the Principal, Women's I.T.I. Imphal (Takyelpat).

*Sd/-* **O. Shushilkumar Singh**

*Principal,* Women's ITI, Imphal

HL-B/4696/16&18